### জুন ১৮গী মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস): হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা জুন ১৮ থৌরমগা মরী লৈননা ভোলুন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটি, রিমস অমদি লায়েংশঙসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্যুনো হেমাটোলোজি এন্দ ব্লদ ট্রান্সফ্যুজনগা খূৎশম্নদুনা অয়ূক পুং ১০দগী মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

### উমং লাই লাৎলক্লিবা মৈতৈদদি উ থাসি হায়ফম থোক্তে ঃ লৈশেম্বা সনাজাওবা

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস) : ঐখোয়গী মৈতৈ খুন্নাইদি উ থাসি, উ হিংহনসি অমসুং উমং য়োকখৎসি হায়বসি হায়ফম থোক্তে অমদি মসিগী মরমদা খন্নফম থোক্তে। মরমদি ইপা ইপু হাক্তক্তগী উমং লাই লাৎতুনা উমং য়োকখৎতুনা লাক্লবা ফুরুপ অমনি হায়না রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা জে এফ এম সী বমদিয়রগা খূৎশম্নদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বমদিয়র মনাও চীংদা লৈবা ইমা চীংথাং লাইরেম্বী শঙলেনগী অকোয়বদা পাঙথোকখিবা উ চারাশিং থাবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা এম পিনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, উ থাসি য়াদবা ফুরুপ অমসু থোক্লকপদগী অয়েৎপা ওইরক্লিবনি হায়রদুনা উ থাসি য়াদবা মখোয়না মায় পাক্কদবদি নত্তে হায়খি।

উমংদা শৈদাংফম লৌরগা থৱায় পানবা ময়াম অমা হিংহল্লিবনি। উমং লৈত্রবদি থৱায় পানবা অমত্তনা হিংবা ঙমদে। করি মরমগীনো খঙদবনা ঐখোয় মীতৈগী খুন্নাইদা উ পাম্বীগী মতিক ময়াই লৈরক্তবগী মমি অমা উবা ফংলে। মমাঙদদি ইপা ইপুশিংনা কম্যুনিতি ফোরেষ্ট হায়দুনা উমং য়োকপগী থবক তৌনরম্মী। ঙসিদি পূন্নমক্তু অমত্তা উবা ফংখিদ্রে। ইঙ্খোলদা উ চারা থাবদি লায়রদনা শুমাং ফাওবা থমগনি খঙজিল্লক্রে হায়রদুনা ঐখোয় উ থাজিনসি হায়খি। ফেসনদা উ চারা থাবা তোকপীয়ু, থম্মোয় শেংনা উ চারাশিং থাবীয়ু হায়খি। ঙসিগী উ থাবগী থৌরম অদুদা হেল্থ মিনিষ্টর ডা. সপাম রঞ্জন, রিটাইয়র্দ সী সী এফ মহেন্দ্র প্রটাপ, সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও আর কে অমরজিৎ, বমদিয়র জি পিগী প্রধান এল সোরোজিনিসু শরুক য়াখি।

### রিমসতা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস): মহৌশাগুম্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দেগী অথৌবা অথৌবীশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ঙসি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অসি ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিএসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা রিমসকী দেন্টেল কোলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ ওরেল মেদিসিন এন্দ রেদিওলোজিগা খূৎশম্নদুনা শিনবনি।

কেম্প অসিদা ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিএসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা. বি গোকুলচন্দ্র, দিপার্টমেন্ট ওফ ওরেল মেদিসিন এন্দ রেদিওলোজিগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. কোইজম সসিকুমার অমসুং আই দি এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওনরেরি সেক্রেটরি, দিপার্টমেন্ট ওফ ওরেল মেদিসিন এন্দ রেদিওলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. দিপক নিঙোম্বম অমসুং আই দি এ কন্টিন্যুয়িং দেন্টেল এদ্যুকেসনগী কনভিনরনচিংবনা শরুক য়াখি।

### লৈখিদ্রবা প্রোফেসর তোম্বগী...

*লামায় ১গী মখা...*অসি মালেমগী মনুংদা থাক ৱাংনা লৈরিবশিংগী মনুংদা অমনি। ঐখোয়গী লোলদা ইচে-ইচন হায়রগসু ইংলিসতদি সিষ্টর হায়বসিনা অকক্লবা ইচে নৎত্রগা ইচন খঙহনবা ঙমদবনা অতোপ্পা ৱাহে অমগা হাপচিন্দুনা খঙননবা হোৎনৈ। লোয়ননা সনামহী লাইনীংদা অকোয়বগী ফীভমগা মরী লৈনবা য়াওনা থকসি খাসিগী ফজবা চৎন-কাঙলোন য়াওরিবনা লাইনীং অসিবু হেন্না মশক থোকহন্নবা হোৎনবা চঙই। ঙসিগী মীরোলদা মাঙশিল্লক্লিবা থক-খা খেন্নবগী থৌগল্লোনশিংগী মতাংদসু খন্নমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রদুনা লৈখিদ্রবা প্রোফেসর এস তোম্বা হিন্দিগী ওজা ওইনা হৌরকখ্রবসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী দিপার্টমেন্ট লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি হায়খি।

মীতৈ লাইনীংদা উশিন তৌবা হায়দুনা চৎনরক্লিবসি উগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈনরকপগী খুদমনি। লোয়ননা মৈতৈদি মশাগী মথৌ তাবদং নীরগা অহেনবা নীদবগী ৱাত্ত-পাদবা পীনবীয়ু হায়বা ফুরুপনি হায়নসু শিংথাখি।

থৌরমগী মনুং চন্না ‘কোন্সেপ্ট ওফ মোরেলিটি ইন সনামহিজম’ হায়বা টোপিকতা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিএট প্রোফেসর ওইরম্বা ডা. কে ঐচ গোকুলচন্দ্রনা ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা লাইনিংথৌ সনামহীগী অথোইবা মচা মনাই- ২০২২গী মনাশিং উরিপোক্কী পন্দিট চনম হেমচন্দ্র এলিয়জ খাবা অমসুং ডা. কে ঐচ গোকুলচন্দ্রদা লান্থোকখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়ারখিবশিংবু ডা. সাপম জসোবন্তনা তরাম্না ওক্লগা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোলনা ইন্সটিটুটঅসিগী দিরেক্টর সাপম ভৈগ্যনা পীখি অদুগা থৌরম লোইশিল্লকপদা শরুক য়ারখিবশিংবু সাপম লময়ানবা খুমননা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

### এগ্রিকলচর লোয়শঙদা ...

*লামায় ১গী মখা...* লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা পায়খৎলকপা স্কিমশিংগা মরী লৈনবা পুন্না ষ্টোল ২৩না মখোয়না পোত্থোকশিং মীয়ামদা উৎখি। অদুগা অত্মা স্কিমগী মখাদা বেষ্ট ফার্মরস গ্রুপ এৱার্দ, সীদ মনি এৱার্দ অমসুং ফুদ সিক্যুরিটি এৱার্দনচিংবা কুমজা ২০২১-২০২২গী এৱার্দশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংদা ইনপুটশিংসু য়েন্থোকখি। বেষ্ট ফার্মরস গ্রুপ এৱার্দনা সাইটেসন অমমমগা লোয়ননা লুপা লিশীং ২০/২০গী শেলগী মনাশিং ফার্মর গ্রুপ ৫দা য়েন্থোকখি। সীদ মনি এৱার্দ অমসুং ফুদ সিক্যুরিটি গ্রুপ এৱার্দনা লৌমী গ্রুপ ৪/৪দা য়েন্থোকখি। মনা অসিদা সাইটেসন অমা অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশীং ১০ য়াওখি। শেলগী মনাশিং অসিদি দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফরগী খূত্থাংদা এৱার্দিশিংদা য়ৌহনগনি হায়খি। লৌমীশিং অমসুং লৈঙাক্কগী মরক্তা অহোবা লৈহন্দনবা লোয়শঙগী মায়কৈদগী লৌমীশিংগীদমক টোল ফ্রি লাইন অমা হাংদোক্লে হায়রদুনা লৌমীশিংনা টোল ফ্রী নম্বর ১৮০০-৩৪৫-৩৮২২দা মখোয়না মায়োক্নবা খুদোংচাদবশিং খঙহল্লকপা য়াগনি হায়খি। থৌরমগী মনুং চন্না লৌমীশিংগগী মরক্তা টেক্নিকেল সেসন অমসু পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৌউ-শিংউগী লম্‌দা ফগৎহন্নবা সাইন্টিষ্টশিংসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা অনৌবা টেক্নোলোজিশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

### স্কুল ২গী...

*লামায় ১গী মখা...*অমা ওইরক্কনি হায়বসি কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী থাজবনি হায়রি।

মরম অসিনা লিশাং শিংনা তোঙান তোঙানবা রেল্লি/এৱ্যের্নেস/পব্লিসিটি চৎতুনা পাউজেলনবগী থবক পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহন্দুনা লাক্লি। হন্দক চহীগীসু মফম কয়াদা এৱ্যের্নেস/হ্যুমেন চ্যেন শেমদুনা দিমান্দ কয়া লৈঙাক্কী মফমদা তাল্লক্লি।

হ্যুমেন চ্যেনদা শরুক য়াখিবা দেসামগী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন অমসুং একাদেমিক এফ্যেরস থৌনাওজম সোমোল লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা মহৈরোয়শিংনা মহৈ লোয়শঙদা লাকপদা অতাবা মমলদা অতোংমল লৌবীদুনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদৌরিবা লৈবাকসিগী লনগৈ ওইরিবা মহৈরোয়শিংবু তঙাইফদনা ৱারবসু ৱানা য়েংবীফম থোকই হায়রি।

মরম অসিনা মহৈরোয়শিংনা গাড়ী তোংবা মতমদা অতাবা মমলদা লৌবীনবগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা চপ চাবা কাঙলোন শেম্বীদুনা চৎনহনবীয়ু। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা থেংনবদা ওজা ১৪ লৈগদবদা শুপ্লতগী ওজা ২ খক্তমক লৈরগা স্কুল অমা চলাইহনবা হায়বসি তুংগী য়ূম্বীরেল শেম্বগী ওইদ্রে। লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙগী মহৈরোয়শিং নোরোক ওইরে। মহৈ লোয়শঙদবু টোইলেট অমা ফাওবা লৈতবা হায়বসি লৈঙাক্লা মহৈরোয়শিংদা পীবা দিষ্টর্ভেন্সনি। মরম অসিনা মহৈরোয়শিংনা মশানা য়াজনা লম্বীদা থোক্তুনা লাউরক্লিবা অসি য়াম্না লূম্না লৌবীফম থোকই হায়রি।

### লুপা ক্রোর ৫...

*লামায় ১গী মখা...*অদুগী দাস বোর্দতা সপোর্ট তৌরিবা সিলিন্দ্রিকেল পাইপতা অমুবা অমসুং অশংবা মচুগী প্লাষ্টিকনা য়োমশিনবা ফোরেন ওরিজিনগী সনাগী বিস্কিট ৬১ য়াওরম্বনি হায়রি। সনাগী বিস্কিটশিং অদুগী অরুম্বনা কিলোগ্রাম ১০গা গ্রাম ১২৬নি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কষ্টমস এক্ট, ১৯৬২গী সেক্সন ১০৪গী মখাদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা ফারবা সনাগী বিস্কিটশিং অদুগী মমল লুপা ৫,২০,৮৮,১৪৪ ওইগনি হায়রি।

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২৯.৯৬০C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৫.৩৩০C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৯.৬৬
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.২৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৬

### পেন্দমিককীদমক মখা তানা চেকশিনখিগদবনি...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মীপূম খুদিংমক্না মশা মশাগী হকচাংগীদমক লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি। মরমদি মখোয়না পাঙথোক্কদবা থবকশিংগা মখোয়গী হকচাংগী ফীভমগা য়াম্না মরী লৈনৈ। হকচাং ফৎত্রবদি থবক অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদে। মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু হেল্থ ক্যের সিষ্টম ফনা থমগদবনি। হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকশিল্লে হায়না লৌবা য়ারে। অদুম ওইনমক ঐখোয় মখা তানা মীৎ-না শীংনা চেকশিনখিগদবনি।

কোভিদ পেন্দমিক লাকশিন্নবগীদমক হেল্থ ৱার্করশিং অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংনা চোকথবা নাইদনা লৌখিবা থৌদাংশিংগীদমক মীপূম খুদিংমক্না তৌবীমল খঙবা উৎপীগদবনি। হৌজিকসু মীয়াম পূন্নমক্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। মসিনা পেন্দমিক অসিবু মায়থীনবা পীবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বৈনি হায়খি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা গভর্ণরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টরনা লাক্লিবা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী ট্যুবরক্যুলোসিস (টি বি) পূন্মুৎ মুথৎনবগী পান্দম থল্লি হায়রদুনা পান্দম অসিমক ফংননবা ঐখোয় পূন্নমক্না হোৎনগদবনি হায়খি। মরম অসিনা মরী লৈনরিবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা টি বি পেসেন্টশিং লৈরিব্রা হায়বদু খঙদোক্নবা সর্ভে অমা চঠগদবনি। অদুগা করিগুম্বা লৈরম্লবদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা ঙম্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা রিপোর্ট পীগদবনি হায়খি।

লোয়ননা হৌজিক্তি এন্টি-সোসল ইলিমেন্টশিংগী এক্টিভিটিশিং শীংথানবা য়ানা হস্তক্লে হায়রদুনা গভর্ণরনা ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামদা লমদম অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং তৌননবা অমসুং ঈং-তপ্পা পুরক্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি। লোয়ননা অমগা অমগগী মরক্তা মতেং পাংনগদবনি অমসুং মদুমক তৌরগদি লৈবাক অসিদা চাওখৎপা শোয়দনা পুরক্কনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মায়কৈদগী মখোয়না মায়োক্নবা খুদোংচাদবশিং গভর্ণরদা হকথেংননা পাউদমখি। মীয়ামগী ৱাকৎশিং অদু গভর্ণরনসু মুন্না তাখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংদা য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মোইরাংগী এম এল এ থোঙাম শান্তি, ওইনামগী এম এল এ ইরেংবম নলিনি, লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেন এম অশ্বনিকুমার, বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর এল বিক্রমনচিংবা মরু ওইবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

### মমাঙগী লৈঙাকলোইশিংনা হিংমিন্নরক্লিবা...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং অমিট শাহগী মতাংদসু লাইরিক অনী ইখ্রে। ঙসিগী লাইরিক অসিদা য়াওরিবসি ইন্দিয়া খায়দোকখিবগী মতাংদা য়াম্না নুংঙাইতবশিং অদুগী মরমদনি। লৈখিবা অশোয়বা কয়া নৈনরক্লিবা অসি নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগীনি। লৈবাক অসিনা নীংতম্লবসু তোখায় তোখায় লৈবগুম্না ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা হৌজিক নুংঙাইনা লৈবা ঙম্লিবা কয়া অসি কোক্লবা থৌরাংলকপনি। ঐখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরগী মীৎয়েং অসি থাগৎফম থোকই হায়খি।

মণিপুরদা ফাওবা মাগী মাগী ওইনা লৈনরক্লিবা অসি কোক্লবগীদমক হোৎনগদবনি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা লৈবাক অনী থোক্না খাইদোকখিবগী মরম করম্না খাইদোকহল্লমদবা য়াবগে হায়বদু নৈনগদবনি হায়খি।

ঙসিগী লাইরিক নৈনবগী থৌরমদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর এন রাজমোহোন, এম য়ুগী ভি সী প্রোফেসর এন লোকেন্দ্র, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভি সী প্রোফেসর পি গুনিন্দ্রো, রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্ত, কার্গিল ৱারগী হিরো কর্নেল (ডাক্টর) রাজেস অধাও, শঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লীগী জেনরেল কাউন্সিলগী মেম্বরশিং অমসুং শমুরাইলাৎপম নবচন্দ্র শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

### পুলিসকী মমায়দা হামুক তৈশিনবা পর্সনেল খরা য়াওরিব্রা

*লামায় ১গী মখা...*ৱাফম অসি মমাঙথক্তা ইল্লিগেল দ্রগশিং লল্লোনবা অমসুং শীজিন্নবগী থবক্তা পুলিস পর্সনেল খরা চেন্নরম্বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ৩.৪০ রোম তারকপদা নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর (এন এ বি) গী টিম অমনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইকুল লম্বীদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী রিজার্ভ লাইনগী কন্সটেবল অমদগী ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ৩ লোম ফাগৎখ্রবা মতুং ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জ ইন্সপেক্টর এন ইঙোচানা লুচিংবা টিম অমনা কম্মান্দো পর্সনেল অমনা এস্কোর্ট তৌরকখিবনি হায়বা লুপা লাখ ৭৫ রোমগী মমল ওইগদবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১,৫০,০০০ ফাগৎখিবা থৌদোক্তগী চোঙথোরকপনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুলিস পর্সনেলশিংগী মরক্তগী দিপার্টমেন্ট অসিগী মমায়দা হামুক তৈশিন্নবা হোৎনরম্বগী ইকোন কোনবা ওইরিবা থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তারকপদা কাংবাইগী মফম অমদা থোকখিবনি।

ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুরদা লৈবা মীওই অমদগী নুপা অমনা মহাক্কী লোয়নবীগা লাকমিন্নদুনা য়াম্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং লৈররগনি হায়বগী পাউ ফংখি হায়রি। পাউ অসিগী মতুংইন্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (এল ও) অমসুং এস পিগী সুপরভিজন মখাদা ও সী এন ইঙোচানা লুচিংলগা পুলিস টিম অনীনা এসিষ্ট তৌখিবা অপূনবা টিম অমনা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী কাংবাইগী মফম অমদা নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তারকপদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা অলটো কার (সিলভর কলর) এম ঐচ -১৪/বি কে-৫৪৪৮ খামদুনা চ্যেক তৌখি হায়রি। গাড়ী অসি চ্যেক তৌরুবদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট লিশীং ১০/১০ য়াওরম্বা কার্টন বোক্স ১৫ থেংনখিবনি হায়রি।

টেব্লেটশিং অসিগী অপূনবা মমলনা লুপা লাখ ৭৫ রোমগী ওইগনি হায়রি। ইল্লিগেল দ্রগশিং অসি কার অদুগী মনুংদা য়াওরম্বা থেংনবদগী পুলিসকী মায়কৈদগী মফম অদুমক্তদা ইন্দিপেন্দেন্ট ৱিটনেস ২ অমসুং এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা দ্রগশিং অদু সিজ তৌখি। অদুগা দ্রগশিং অদুবু হাপ্লগা পুরকখিবা কার অদুবু থৌরকখিবা দ্রাইভর অমসুং মতৈ মনাওদগী মোবাইল ফোন অনীসু সিজ তৌখি হায়রি।

ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি লিলোং তাইরেন মখোংদগী এম দি ৱাহিদুর রহমন (৪৭), মহাক্কী লোয়নবী সরিতা (৩৫) অমসুং কার অদুবু থৌরকখিবা লিলোং হাওরৈবি মখা লৈকায়দগী এম দি মুজাহিদ (১৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি রফিজউদ্দিননি হায়রি।

মফম অদুমক্তদা মখোয় ৩দা চথখিবা অহানবা ৱাহং পাউহংগী থবক্তা মখোয়না য়াম্লবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অদু চুড়াচান্দপুরদগী ইম্ফাল লোমদা পুখৎলকখিবদা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী হবিলদার ওইবা হৌজিক্না ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোদা এটেচ তৌরিবা অশাংবম কেশোরজিৎ (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ সৈত্যবন্ত কৌবা কম্মান্দো পর্সনেল অমনা এস্কোর্ট তৌরগা পুরকখিবনি হায়বা খঙবগা পন্থদনা মহাক্কী খোঙ্গুল লিখি। মদুদা চুড়াচান্দপুরদগী মতৈ মনাওনা য়াম্লবা দ্রগশিং অসিবু কার অমদা হাপ্লগা ইম্ফাল লোমদা পুরক্লম্বদা ঙাক শেল্লকখিবনি হায়রিবা কম্মান্দো পর্সনেল অসি মোইরাং লমখাই মনাক্কী খুদেকপীগী মফম অমদগী মহাক্না তোংলকখিবা ক্রেটা কার এম এন -০৪/এ-৫০৯৯ অমসুং মহাক্কী মোবাইল ফোনগা কোন্ননা ফাগৎখি হায়রি।

মখোয় পুম্নমক্কী মথক্তা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী মখাদা রেগ্যুলর এফ আই আর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

### কুমজা ২০২১গী সেন্সস মতুংইন্না দিলিমিটেসন...

*লামায় ১গী মখা...* সেন্সসতা বেজ তৌরগা দিলিমিটেসন পাঙথোরকপা তারগদি তম্পাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মনুংদগী ১৩ মাঙলগনি। মাঙবা হায়বসি তম্পাক্তগী লৌথোক্লগা চীংদা হাপচিনখিগদবনি। মরম অদুনা মীতোপশিং অসি হান্না খন্দোক্তুনা মশক খঙহনবীখো হায়দুনা তক্নসুনা লাকপনি। মরমদি চীংদা হৌজিক অহেনবা মীতোপ কয়া চঙশিল্লগা লৈরে হায়বা খঙবা ঙল্লে। মসিসু কোভিদকী ভেক্সিন চীংদা কাপ্নবা কয়া পুরকউগে হায়রুবদা ১০০ পুরকউ হায়দুনা কাপ্পা চৎপদদি ৩০দগীনা ৭০ ফাওবগী চাংদগী হেন্না লৈরমদ্রে। চাদা ৩০ খক্তনা ভেক্সিন কাপ্পা থোরক্লিবসি মী লৈত্রে তাকপনি। চেদদি লৈবা অদুগা মী ওইনদি লৈতবশিং লৌথোক্লগাদি খরা ফরগনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী ওইনা ফেমিলি প্লান্নিংগী থবক মণিপুর য়ৌরকপদা মৈতৈ ফুরুপ খক নত্তনা অতৈ ফুরুপতি ফেমিলি প্লান্নিং তৌরমদ্রে। লাইনীংনা য়াদে, অদুনা য়াদে, অদানা য়াদে হায়দুনা লৈরল্লে। মসিগী নৈনরিঙৈ চৈরক্তা অমুক হোস্পিটালদা অঙাং উন্নবা খুদিংদা ওপরেসন তৌহল্লগা অঙাং পোকপদগী অঙাং ১/২দগী হেন্দ্রে। হৌজিক ইনাৎ লাইনীং হায়বসি মীনা তৌগদবনি অদুবু মী লৈত্রগদি কনানা তৌগদৌরিবনো হংখি।

মৈতৈনা লৈরিবা মখৈ অমসুং মপাঙ্গল কল্লিবমখৈ মণিপুর কায়রোই হায়জবনি। মৈতৈ খক্তনি মণিপুর কনবা ফুরুপ কাঙলূপশিং খৎনরবসু মৈতৈনা খামদুনা লৈরকপা মণিপুরনি। মৈতৈ খুন্নাইদা তোঙান তোঙানবা লাল্লোং চথুরি। নহাশিংদা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংগী লান তাশিল্লক্লিবনি। মসিগীসু মথক্তা ঈগী পল অমদা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা অমদি কায়নখ্রবা য়াওনা কায়নদ্রগসু য়ুদা অমসুং ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংদা তাওরিবা অসিদগী লোন্না অমসুং ফোংনা নুপী লিশীং ১১ রোমদি মীগী খূৎতা তাখ্রে হায়খি।

নিতি আয়োগকী মতুংইন্না মমা মপা ওইবগী চাংগী পৱার অসি চাদা ১.৭তা হন্থরে। অতোপ্পা কাঙলূপশিংগীদি চাদা ৩৫.৭তা লৈরি। মরম অসিনা খেন্নরিবা মশীংসি য়াল্লে। নিতি আয়োগনা হায়রিবসি চাদা ১.৮দগী হন্থখ্রবা ফুরুপ কাঙলূপ অদু মীরোল অহুমদগী হেন্না শন্দোকপা ঙল্লরোই হায়বনি। অদুগা ঙসি লাই হরাওবগীদমক্তা কৌজরিবসি অতৈগী নত্তে, ঐগী ইচা ডাক্টর ওইরি, ইঞ্জিনিয়র ওইরি, ওফিসর ওইরি হায়বদু নত্তে। মৈতৈ ফুরুপকী করি তৌরবগে, ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগীদমক্তা করি তৌরমসিগে হায়বগীনি। ঐখোয়গীদি প্লান অমত্তা ঙসি ফাওবদা শেমদুনা তৌদ্রি। অতোপ্পগীদি চহী ৫গী প্লান তৌখ্রে। মীগীদি চয়োল অমদা পুন্দুনা মাগী মাগী ফুরুপকী চাওখৎনবা খন্নে। ঐখোয়গীসু লাইবুং কাদুনা, শিংলুপ হিঙ্গৎহন্দুনা লাইবুংদা পুনফম ওইদুনা খন্নসি। লাইবুং কাবগী চৎনবী হৌরসি হায়খি।

ঐখোয়গী অশোয়বা য়েংসি অমসুং নৈনসি। মৈতৈ লুপখিদনবা পুৱারী লাইবুংদা নৈনবীয়ু। ঐখোয়গী ইনাৎ লাইনীং পুরগা চৎতবা য়াররোই। লাইনীংদি অপাম্বা চৎপীয়ু অদুবু ঐখোয়গী ওইবা খরদি চৎপীয়ু। ঐখোয় খরা কত্থোক্লগা হোৎনমিন্নসি। সনামহী টেম্পল বোর্দ, পন্দিট লোয়শঙ অমসুং উত্রা শঙলেন পূন্না চৎমিন্নসি। হৌজিক্তি পুন্দবা য়াররোই। ঐখোয় ঐখোয়গী থৌদাং খায়দোক্লগা পুমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রোনা পোকপদি মৈতৈদা পোক্লগা শিবনা অমদা চৎলগা শিবদু ঐগী ওইনদি ইকায়জে। লাই হরাওবদা শেল লৈতবগী ৱানীংঙাই লৈতে। ইনাৎ লাইনীং য়োকখৎপা অমদি লাই হরাওবগী য়েংশিনবা চৎপদা গাড়ী লৈতবগী অৱাবা লৈতনবা গাড়ী অহনবা অনী লৈরগা পীরগনি। হৌদোকপা অমা য়াওদ্রগদি য়াদবা মরম্না হৌদোকপসিদা মহাক অমসুং নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ওইজগে। মখোয়গী মথৌদাংনি খঞ্জরগা ইশাগী লুপা ক্রোর খরদি ইনাৎ লাইনীং ফুরুপ য়োকখৎনবা পীজগে। চীংখৈ চীংগী লৈরিবা মফমসিদা মাইবা মাইবী, পেনা তাফম পীজগে হায়বগা লোয়ননা লুপা লাখ ৫সু খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা সনা কোনুংগী মায়চৌপুরেল ঙারিয়ানবম কাংজিয়া মঙাং, কষ্টমস সেক্রেটরি উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী থোকচোম ইবুংঙোহল, সনামহী টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট বিদ্যাপতি সেঞ্জম অমসুং উকলগী প্রসিদেন্ট চনম নবচন্দ্র এলিয়জ পারিহলসু শরুক য়াখি।

### জুন ১৮গী অথৌবশিংবু এন আর এফ এমনা ইকায়খুম্নরক্লি...

*লামায় ১গী মখা...* হায়রোইদবগী মরম লৈতে। জুন ১৮ গুম্বা নুমিৎ কয়া লমদম অসোমদা ঙাইদুনা হিংলি হায়বসি তশেংনা লান্দে। খিত্তংগা কূপ্না য়েংলবদা অচৌবা ৱাথোক লান্থোক্তমক লাল্লোং নত্তে। ইন্দিয়ানা নৈহৎপদি অরোনবা অফোংবা শুংলেপ লেপ্তুনা চথুরি। লমদমসিগী শক্লাইরবা মীওই কয়া ইন্দিয়াগী লূদা চঙখ্রবনি। নিংথৌ ফাওবা মঙলাক্ল খ্রবনি, লৈয়েং ফাজিনখ্রবনি হায়রি।

মচা মচাশিংগী য়েংলগা মপুমগী লাল্লোংদি থেংননবা থোক্লরক্কনি। মচেৎ-মচেৎ চপশিল্লকপগীদি মীথাই মীশিনি। জুন ১৮গী ৱাথোক ওইখিবা ৱাফম ৱাখৈখিবা নত্তে, নমশিন্দুনা থল্লিবনি। হৌজিকসু ৱাথোক অদু হিংদুনা লৈরি হায়বসি মীনম্বা নত্তে হায়বসি ঐখোয়না কাউথোক্লুমসি। অদুবু ইন্দিয়াগী থৌরাংসি মায়থীহনবা হায়বসি মণিপুরগী চীংবুরোই তম্বুরোই ঐখোয়গী খূৎতনি হায়বসি খঙনা অদুমক ঐখোয় পংথবা নাইবা অসিনি। ঐখোয়গী অশোনবদা মীনা খুদোংচাবা লৌরিবসি শান্নরিবা লাল্লোং ইন্দিয়াগীদি মাঙজবা লৈতে। থৱায় মাঙহলহৌবা নুংশিনহৌদবনা ঐখোয়গী ওইহৌগনি। ঐখোয় পুম্বা হায়বদি কুকি-নাগা-মৈতৈবু ইনিদয়ানা অতম্নমা নুংশিবা অমা খক লৈবা নত্তে। কৈদৌনুদা ইন্দিয়াগী মীনুংশি হায়বগী থৌজাল ফংগনি খনবা হায়বসি খ্বাইদগী অপংবা অমনা ফংবা পংবগী রিজল্ট ওইহৌরিবনি। হৌজিক মণিপুরদা ষ্টেট অসিগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা খূৎলায় পায়বা লালহৌবগী পাঙ্গল খরা শোম্থবগুম উরিবসিনা ইন্দিয়াগী থৌশিলদসু খরা অদুক মবুক য়াম্না ফবা ওইনা উহল্লি। অদুবু মসি গুমভিরগী শাজৎনি। মখোয়না নীংতম লাল অসিবু লাকশিন্নবা মতম চূপ্পগী মতোন চোংদনবা থৌরাং লেপ্পা লৈতনা চথৈ হায়বসি ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা খোঙথাংনি। মখোয়না ফুরুপসিবু চপ চানা লাকশিনবদা লালহৌবা অসিদি তিস্খ্রং ওইরি হায়বসিদি মখোয়গী অহানবা মীৎয়েংনি। রাষ্ট্রিয় শ্বয়ম সেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) রাম কৃষ্ণ মিসননচিংবা লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইবা ইন্দিয়নশিং খোঙদাফম পাকথোরকপা, অচৌবা ফ্রেম অমগুম খোঙদারক্লিবসিনা চহী খরগী মতুংদা করি ওল্লকপা হায়বসি ৱাখলনা অমুক্তং খন্থদুনা য়েংনসি। চৈরকসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগা পিছকী ৱারী শারিবনি হায়দুনা চাকনিবোই করিবোই থল্লিবা ইচিন ইনাও কয়াগী ৱারোইশিন লৈহন্দবা হায়বসি মখোয়গী শীজিন্নফম লৈবগীনি। পিছকী ৱারীগী মরুমদা লোইজিং লোয়া, চীংনুং মানুং খাক্তনা শন্দোরক্লি। ইন্দিয়নশিংনা মখোয়গী পান্দম য়ৌশিল্লু, মখোয়গী ঈ থম্মু, কাচিন কোয়া য়ৌনা ঈ থল্লবতদা থৌরাং খুদিং মায় পাক্কনি, ঈ থমদনা করম্না চঙশিনগনি হায়বসি মখোয়গী ৱাখল ওইরিবনি। মসিদবু ঐখোয় মশেল মুক্লদুনা লৈখিসিরা হায়রি।

মপুম য়োৎপদগীদি মশুং মশুং য়োৎপনা কোম্বা হেল্লি হায়বা ইন্দিয়াগী ৱাখলনি। মসি ঐখোয়না খঙলবসু করিগী নাথৈনরি। ঐখোয়গী লুচিংবা শাবশিং মখোয়গী খ্বাইদগী নুংঙাইবসি মরৈবাক মরমদম-মরৈচা নুংশিববু দেল্লীদা য়োন্থোকপসিনি হায়রি।

ঐখোয় চীং-তম পূন্না করিগী ইনি দয়াদগী নিদুনা হিংলি, নিংতম্লিঙৈদা নিরকখিদে, হৌজিক্না করিগী নিরিবনো হংলদুনা ঐখোয়গী কোক থমাইখ্রে, শিল্লং শিন্থা মুনখ্রে, পাম্বৈ শুংলৈ লৈতরে হায়বদা করিসু লান্দ্রে। মসিনা ইন্দিয়নশিংনা হৌজিক ফোংনা নখোয় ইন্দিয়া নত্তে হায়না তান্থোরকপীবা, ফুবিরক্লিবা, ঙাওবীরক্লিবা অমসুং চঙহল্লত্তবদা কনাদা করি হায়বদা তাখ্রে। কোরোনানচিংবা মায়োক্ল রিঙৈদা ঙসিদি ঐখোয় ইন্দিয়াগা য়ান্নদ্রবদি কদাইদগী করি চাগনি, কদাইদা মহে তমগনি হায়বনচিংবা ৱাফম অসি কোক্তা পুবা ৱাহং ওইনা লাকপদা কনানা করি খুন্বা ঙম্বগে। ৱাহং অসিদা কুকিগী, নাগাগী, মৈতৈগী হায়বা অমা খায়বা য়ারিব্রা। হৌজিক ঐখোয় থাদোক্লসি, মীচা শিসনু হায়রগা ইচা শি হায়নবা লৈ, ঐখোয়গী মরক্তা অমনা অমগী ফত্তনবা শিল্লগা পূন্না মাঙমিন্নগনি হায়বসিদং খক কাউরোইদবনি। জম্মু এন্দ কাশ্মীর থুগাইখি, অৱাং নোংপোক্তা খৃষ্টিয়ন ষ্টেটশিং লৈবা ইনিদয়াগী মবুক্তা চাক্লগ্লোই হায়বা কনানা হায়বা ঙম্বগে। মণিপুর নীংতম্বগী লাল অসি কনখৎলক্লিবমখৈ জুন ১৮ অমদি মসিগা মান্নবা ৱাথোক কয়া পীরকপা হায়বসি ইন্দিয়ানা য়াৎথোক্তুনা থমখ্রগা থৌরাংনি হায়বা ঐখোয় খঙমিন্নসি। মসিদা নত্তে, ষ্টেট ৭ অসিগী য়েলহৌ মীওইশিংনা ঈরাং হেক কল্লকপগা চপ মান্নবা মীৎয়েংনি। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংবু ইন্দিয়ানা কদাই ফাওবা লোই চনশিনখ্রে হায়বদা নৈনরক্লিবা অসিদা অৱাৎপা কয়ানা হেল্লিবনি। ইন্দিয়ানা মণিপুর অমদি ঐখোয়গা ঈগী মরী নক্লবা ফিজেৎ চাকচা অমত্তা ওইরিবা শুপ্লতগী স্কৱার কিলোমিটর ২২ খক্তংনা ইন্দিয়াগা শম্নহল্লিবা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংনা করম্বা থাক্তা হিংলি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। মশুং তানা য়াৎথোকপীরবা লমদম অসিবু ইন্দিয়ানা য়েংলিবা মীৎয়েং খঙলবা মক্তদা কানি পীজরগা লমশাগুম পংথরবা ঐখোয়সিবু কৌই লোইলম লৈঙাক্কী মীনাই নাইথাংগী পুন্সি মহিং। মসিনা কোনশিল্লিবসি দেল্লীনা তৌ হায়বদা থৱায় য়াম্না য়াওজবা কাঙবুশিংনা মীনাই মকোক ওইনা শকখঙবী। মকোক লৈরবদি ময়ায়, মমৈ মথং মথং লৈবা হৌনৈ। অসিননি লমদমসিদা হুরান পোৎয়োন কিনদ্রিবা, শেঞ্জা থুমজানা খুল্লিংলিবা মীওইবসি অশেংবা হায়রগা শাউই হায়নবা অদুমক খঙনৈ। মীনাই ওইবগী নুংঙাইবসি মপুনা চাক থাকপা, মপু য়ানবা চৎপা অদু নৎত্রগদি দেল্লীনা মীনাই মকোক শিন্দোকখিনি। জুন ১৮ নীংশিংবগী ৱাহন্থোক ইরৈবাক নুংশিবা, কত্থোকপনা মুৎপা নাইদবা নুমিৎ ওইহৌই ঐখোয়গীদমক হায়রি।

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 81.875262 |
| US Dollar | 78.084423 |
| British Pound | 95.603517 |
| Australian Dollar | 54.349985 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.640274 |
| Japanese Yen | 0.579797 |
| Malaysian Ringgit | 17.739858 |
| Singapore Dollar | 56.246946 |
| South Korean Won | 0.060358 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.822513 |
| Thai Baht | 2.213506 |

FOREX (INDIA RUPEES)

### GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK. BOOKING UPTO DATE. STOCK. 306**
VALID FROM MAY 2022.
FOR HOME DELIVERY.
M. NOS. 9366597565 / 9089766365 & M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT. TIME.7.30 AM.TO.11.30 AM.

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 10-05-2022**
VALID FROM 01-05-2022
**STK 306**
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY
DATE 18-06-2022
CONTACT NO -7005695308 6009772483

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto 11/05/22
Valid from 09/05/22
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)

**TDK GAS**
**BK. UPTO 18/04/22.**
VF.15/04/22.
**STK.306.**
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 .

**BUSINESS OPPORTUNITY**

Part time or Full time da eikhoi punna income tanba yai. Yumda leina leina amadi field da chatlaga tanba yai. Aduna income tanbiningba mioisingna makhada piriba No. sida contact toubiyu.

(1) 18 years above, (2) Student, (3) No qualification, (4) Retired person, (5) Employee, (6) Senior Citizens, (7) Housewife, (8) Any person etc.

# 9366389562
# 8798329312

HL-P/1360/15-19

